# দোকলাম মুক্নবা লোইশিল্লক্লগনি, ইন্দিয়া, চিনানা মফম অদুদগী লান্মী লৌথোকপা হৌখ্রে ঃ হোম এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রি



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৮ ঃ***

দোকলাম লমদমদা উংখৎনরিবা অদু লোইশিনবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখি। ইন্দিয়া অমসুং চিনানা মখোয়গী লান্মীশিং তপ্না তপ্না লৌথোকপা হৌরক্লে।

দোকলাম লমদমদা মতম শাংনা য়ানদবা অমসুং ভাব তানদবা কয়া লৈবনা উংখৎনবা কয়া লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অদু মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

চিনাগী জিয়ামেন সহরদা পাঙথোক্কদবা ব্রিক্স সমিত্তা লৈবাক মঙাগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াগনি। ফিভম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু শরুক য়াননবা শেম শারি।

ইন্দিয়া অমসুং চিনানা দিপ্লোমেটিক ওইবা লমদা লৈবাক অনীগী ঙমখৈগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমলি। মরু ওইনা লৈবাক অহুমগী তাইনফম ওইরিবা দোকলাম লমদমদা হৌজিক ওইরিবা উংখৎনবগী ফিভম অদুদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙই।

লমদম অদু লৈবাক অনীনা ইতিহাসকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া পুথোক্লদুনা মখোয় মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌই। ন্যু দিল্লি বৈজিংগী মীৎয়েং অদু অমুক হন্না খন্থনবা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

তাইমস ওফ ইন্দিয়াগী পাউ মতূং ইন্না চিনানা লমদম অদুদা লম্বী শেমজিল্লকপা অমসুং হেভি মেছিন্নরি পুশিল্লকখিবা অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী মরম ওইহনখি।

লৈঙাক্কী পাউ মতূং ইন্না উংখৎনরিবা ফিভম অদু দিপ্লোমেটিক ওইবা মওংদা লোইশিন্নবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক মপুঙ ফাদবা মওংদা ৱাফম ফোঙদোকপদি চুমদবা লৈ হায়রি।

নাকল অমরোমদা বৈজিং অমসুং চিনাগী মেদিয়াশিংনা ইতিহাসকী ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি। চিনানা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপদা নত্তনা লাদাক সেক্টরগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

চিনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই হুৱা চুনয়িংনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়না পায়খৎলিবা থৌশিন অদুগী চপ চাবা ফল মায়োক্লগদবনি হায়খিবসু লৈ।

মমাঙ চয়োন্দা চিনানা মখোয়গী সিটিজেনশিং ইন্দিয়াদা চৎতনবা পাওতাক পীখিবশিং লৈখ্রে। লোয়নননা ইন্দিয়াগী মীওইশিংসু চঙলক্তনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা চাউনা হৌজিকসু দোকলামগী মতাংদা উংখৎনবা লৈরি। অদুম ওইনমক ৱাথোক অদু অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরি হায়রি।

# আফগানিষ্টানগী হেলমন্দা কার বোম পোকখাইবদা মীওই ১৩ শিরে, ১৮ না অশোক অপন নংখ্রে



***কাবুল, আগষ্ট ২৮ ঃ***

আফগানিষ্টানগী হেলমন্দ প্রোবিন্সকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা সহর অমদা কার বোম পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখ্রে অদুগা ১৮ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা আফগান লান্মী অমসুং মীচম কয়া য়াওরি হায়রি।

হেলমন্দ গভর্ণর ওফিসকী ৱাঙাংলোই ওমর জৱাকনা ফোঙদোরকখিবদা এটেক্ট অদু হেলমন্দ প্রোবিন্সকী নৱা কৈথেলদা চথ্বরকখিবনি। হায়রিবা মফম অদু লৈঙাক্কী লান্মীনা খুদুম চন্নবা হোৎনবদা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখিবা মফমনি হায়খি।

আফগান লান্মীশিংনা হায়রি, নৱা দিষ্ট্রিক্ট অদু চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাদা লৈঙাক্কী লান্মীনা লৌশিনবা ঙমখিবনি। হৌজিকসু লমদম অদুদা মখা তানা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক থোক্লিবনি হায়রি।

ঙরাং কার বোম পোখাইহন্দুনা মীওই কয়া শিহনখিবা অমসুং কয়ানা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদু কাঙলূপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক হেলমন্দদা টালিবালশিংনা তত্তনা এতেক্ট চথ্বরকপগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে।

প্রোবিন্স অদুগী কোনুং লাসকর–গা দা এতেক্ট কয়া লেপ্তুনা চথ্বরক্লি। অদুম ওইনমক লমদম অদু লান্মীনা খুদুম চনখ্রবনি হায়রি।

লাসকর–গা দা লৈবা ইতালিগী মতেঙগা লোয়নননা চলাইবা হোস্পিটালদা অশিবা হকচাং অহুম পুরকখিবা লৈরি। লোয়নননা অশোকপা মীওই কয়াসু লাইকন্নরি। মদুতা নত্তনা অতোপ্পা হোস্পিটালশিংদসু অশোকপা কয়া লাইকন্নরি।

হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লাইকন্নখিবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই কয়া শিখ্রবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। এতেক্ট অদু মমাঙ চয়োন্দা তালিবানশিংদা মফম অদুমক্তদা বোম পোখাইহন্দুনা মীওই তরেৎ শিহনখিবা অমসুং মীওই নিফুরোমনা অশোক অপন নংহনখিবগী মতূংদা নৌনা থোকপা খুদোংথিবা থৌদোক অমনি হায়রি।

# ট্রেন্দা পুরকপা স্মোক বোম কার্টুন অমা হুরানখ্রে

***জন্সি, আগষ্ট ২৮ ঃ***

লান্মীগী পার্সোনেলশিংগা সিপিসিয়েল ট্রেন অমদা পুরকপা স্মোক বোম য়াওবা কার্টুন অমা হুরানখ্রে হায়না ঙসি পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু জন্সিগী কল্লেক্টোরেট ক্লার্ক অমা ফাগৎখিবা মতূং খঙলকখিবনি। মীওই অদু উত্তর প্রদেস পুলিসকী এন্টিটেরোরিষ্ট স্কৱাদ (এ টি এস) না য়েংশিন্দুনা লাকখি। মীওই অদুনা পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা স্পাইশিংদা পাউ পীথোকখি হায়না মরাল শিরি।

মহারাষ্ট্রগী পুলগাওদগী পঞ্জাবকী পথান কোর্ট তন্না চৎপা ট্রেন অদু জন্সি রেলৱে ষ্টেসনগী মতাইদা ঙরাং লেপখি। লান্মীগী মীওইশিংনা শিন তৌদুনা পুরকপা স্মোক বোম কার্টুনশিংগী মনুংদা অমা মাঙখি হায়বা খঙবা ঙম্লকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট রেলৱে পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিন হুমজিনবা হৌখ্রে। পাউ অসিগী মতূং ইন্না মধ্য অমসুং জন্সি রেলৱে ষ্টেসনগী ক্রোসিংদা মতম খরগী ওইনা ট্রেন অদু খামদুনা লৈখি। মতম অদুদা হায়রিবা পোৎলম অদু মাঙবা ওইগনি হায়বা চিংনবা লৈ।

উত্তর প্রদেসকী রাঘা বেন্দ্রা আহিৱার কৌবা মীওই অদু পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা স্পাইশিংদা পাউ পীথোকই হায়বগী মতাংদা এ টি এস য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। থিজিন হুমজিনবা অদুদা মীওই অদুনা মশক খঙদবা মীওইশিংগা পাউ ফাওনখি হায়বগী রেকোর্দ ফংবা ঙমখি হায়রি।

# বাগদাদকী কৈথেলদা বোম পোখাইবদা ৮ শিরে

***বাগদাদ আগষ্ট ২৮ ঃ***

ইরাক্কী বাগদাদ সহরগী মনুং চনবা সিতে মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দাবা মনা–মশিং য়োনবা মী চিনবা কৈথেল অমদা কার বোম পোখাইবদা মীওই ৮ শিখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরকখি।

এতেক্ট অদু ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা চথ্খিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লে হায়রি। পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না জমিলা দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মী চিনবা কৈথেল অমদা কার বোম অদু পোখাইহল্লকখিবনি। লৈঙাক্কী লান্মীনা মিনিটেন্টশিং লাকশিল্লে হায়না লাওথোক্লবা শেম শারিঙৈ চৈরক্তা বোম পোখাইবগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি।

তাল অফর লৈঙাক্লা লৌশিনবগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লবা অমদি লাওথোক্লবা শেম শারিঙৈ চৈরক্তা পোখাইরকখিবা বোম অদুনা মীওই ৮ শিহনখ্রে অদুনা ২৫ না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই ব্রিগেদিয়র জেনরেল সাদ মন না হায়, খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা পুলিস পার্সোনেল অনী য়াওনা মীওই ২৫ অশোক অপন নংখ্রে অদুনা মীওই ৮ না লৈখিদ্রে হায়রি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা চলাইবা অমক নিউজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা বোম অদু শিটে মুস্লিমশিংদা তার্গেট তৌদুনা পোখাইহনখিবনি। অদুম ওইনমক বোম অদুনা থংননা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট সাদর সিটিদসু শোকহনখ্রে হায়রি।

# বিরলিং গেপ বিচতা হুমজিল্লকখিবা মৈখুনা মীওই ১৫০ লাইকন্নহনখ্রে



***বিরলিং গেপ বিচ, আগষ্ট ২৮ ঃ***

য়ুনাইটেত কিংদম (য়ু কে) গী বিরলিং গেপ বিচতা কেমিকেল মৈখু হুমজিল্লকপনা মরম ওইরগা মীওই ১৫০ লাইকন্নখ্রে অদুগা মীওই কয়ানা শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা বিরলিং গেপ সমুদ্র খোংবান্দা মশক খঙদবা মৈখু মপৈ অমা হুমজিল্লকপদা মীওই কয়া শ্বর হোনবা ৱাবা, মীৎ থুপ্পা অমসুং ওবগী লাইওং লাকহনখি।

সুসেক্স পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্তদি মৈখু মপৈ অদু মাঙখ্রে। হৌখিবা চহী কয়াদা য়ুরোপকী ইন্দষ্ট্রিয়েল য়ুনিট কয়ানা মৈখু লেপ্তুনা থাদোকখিবগী পাউ লৈ।

নাকল অমরোমদা মৈখু অদু ফ্রান্সকা মরী লৈনদে হায়রি। কোষ্টগার্দশিংনা ফোঙদোরকখিবদা সমুদ্রদা লৈবা ভেসেলশিংনা মৈখুগী মপৈ অদু উখিবা লৈ। রুসেক্স ফায়র অমসুং রেসক্যু সার্বিসনা ফোঙদোরকখিবদা মৈখু মপৈ অদু ক্লোরিন য়াওরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ।

সমুদ্র খোংবানগী লমদম অদু মহৌশাগুম হাংদোক্তুনা মীওই কয়ানা শান্নদুনা লৈখিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎতা খুদোংথিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতূং মখা তানা মফম অদু মীয়ামগীদমক হাংদোক্তুনা থমখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহৌশাগুম মীওই কয়া মফম অদুদা লাক্লখি হায়রি।

# গোৱাগী মরক্কী মীখলদা চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকর মায় পাকখ্রে



***পনাজি, আগষ্ট ২৮ ঃ***

গোৱা এসেমব্লিগী সিট অনীগী মীখলদা বি জে পি না মায় পাক্লকপদা হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা মনোহর পরিকরনা মীখল অদুদা মায় পাক্লবা মতূং ফোঙদোকখিবদা মরক্কী মীখল অসিদা মায় পাক্লকপা অদুনা পার্টি অদুগী পূক্নীং ৱাখলদা অহেনবা থৌনা পীরি।

পানাজি এসেমব্লি সিত্তা মনোহর পরিকর মায় পাকখ্রে। ষ্টেট অদুগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অদুদা হৌজিক পার্টি অদুগা চুংশিন্নবা মীওই ২৩ লৈরি। সিট ৪০ লৈবা এসেমব্লি অদুগী তঙাই ফদবা মশীং ২১ নি। অদুম ওইনমক বি জে পি অমসুং চুংশিন্নরিবা কাঙবুশিংনা হৌজিক সিট ২৩ লৈরে। দিমোক্রেসি চৎপা ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়নবগী চপ চাবা নম্বর অদুদগী হেন্না লৈরি।

আই আই টি ইঞ্জিনিয়ার অমা ওইরম্বদগী রাজনিটিদা খোঙদারকখিবা মীওই অমনা গোৱাদা হৌজিক চুংশিন্নরিবা লৈঙাক অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরি। মদু লৈঙাক অদুগী খ্বাইদগী শাফবা ফিভম অমনি। মথংগী চহী মঙাদসু কনাগুম্বা অমতনা শক্তি পায়বা য়াবগী ফিভম লৈররোই। দিমোক্রেসিদা মশীং য়াম্বা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওই। লৈঙাক অদুগী ওইনা মেম্বর ২৩ লৈরে। মদুনা ষ্টেট লৈঙাক অদুগী পূক্নীং অমসুং ৱাখল হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মীখল অসিদা মায় পাক্কনি হায়বদু হান্নানা খন্দুনা লৈখ্রবা অমনি। ষ্টেট অদুদা হৌজিক বি জে পি না তংদু লৈতাবা মওংদা লৈঙাক পায়বা ঙম্লগনি। লোয়নননা মতূং তারকপদসু শাফবা ফিভম অদুমক লৈখিগনি হায়খি।

# ব্রু ইনসর্জেন্ট ৩০০ সরেন্দর তৌরক্লগনি

***হৈলাকান্দি, আগষ্ট ২৮ ঃ***

ব্রু ইনসর্জেন্ট ৩০০ খূৎলাই থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিল্লক্লগনি হায়না অসামগী আই জি পি অনুরাগ টনখানা ঙসি ফোঙদোরকখি।

টনখানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা য়ুনাইটেত দিমোক্রেটিক লিবরেসন আর্মি (বি) অমসুং ব্রু রিভোলুস্নরি আর্মি য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংগা আগষ্ট ২৬ তা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা লৈখ্রে। মখোয় খূৎলাই থাদোক্লগে হায়বগী য়ানবা ৱাফম লৈরে হায়খি।

মথং থা অনীগী মনুংদা খূৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরক্কদবা মিলিটেন্ট অমসুং মখোয়না পুরক্কদবা খূৎলাই অমসুং নোংমৈ মরুশিং খঙদোকপা ঙম্লগনি। খূৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা মীওইশিংদা খুন্দা লৈতাহন্নবগী পেকেজসু লেপথোক্লগনি। মতমগী মতূং ইন্না চঙজরক্কদবা মীওইশিংগী মিং খঙবা ঙম্নগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মিলিটেন্টশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী শোন্থনা লৈরবা খুঙ্গং অমসুং খুঞ্জাশিংদা চাওখৎ মায়কৈদা লাকপা ঙম্ননবগীদমক পেকেজ পিগদবনি হায়বা ৱাফম থমলকখি হায়রি।

পুলিস অমসুং সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিয়েলশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা আই জি পি, দিপুটি আই জি অখিলেজকুমার, এস পি রাকেস রৌশান, ৩০ শুবা অসাম রাইফল্সকী মেজর জেক্সনসু শরুক য়াখি হায়রি।

## ORIGINAL CERTIFICATE তাহৌরে

হৌখিবা তাং ২৬।০৮।২০১৭ ইংদা ঐগী য়ূমদগী কৈশামপাৎ ফাওবগী মনুংদা ঐগী H.S.L.C. Exam গী Original Certificate of Samom Sundari Devi, Roll No. 9499 of Mekola Gulap High School of 1986 অসি Xerox Copy খরগা লোয়নানা তাহৌরে। কনাগুম্বশিংনা খুনবিরবদি মখাদা মীং পঞ্জরিবা অসিদা পুকচেল চাউনা শিন্নবিয়ু। অদোমগী তৌবিমল খংনা তৌজগনি।

Sd/-
**Sarangthem (O) Sundari Devi**
Malom Awang Leikai
Mobile Noi. - 7423923288

*SL/2733/29*

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 855/SDC/P of 2017*

1. Toijam Nimai Singh S/o (L) T. Kerani Singh of Kongpal Ningthoubung Leikai
2. T. Nandababu Singh S/o (L) -do- of -do-
3. T. Shyam Singh S/o (L) -do- of -do-
4. T. Rojikumar Singh S/o (L) -do- of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

Toijam Kerani Singh S/o (L) Ibomcha Singh
of Kongpal Ningthoubung Leikai

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat, the 28/08/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 19-Ningthoubung গী Patta No. 76 (অরিবা) 58 (অনৌবা) C.S. Dag No. 73 an area .69 acre of Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতূং ইন্না Case মখা চখগনি মতূংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East
Manipur

*SL/2738(f)/29*

## BEFORE THE OATH COMMISSIONER MANIPUR AT IMPHAL

**AFFIDAVIT**

I, Manbahadur Karki, aged about 40 years, Father of Ranjita Karki, a resident of Purum Likli, P.O. & P.S. Saikul, Imphal East District, Manipur, do hereby take Oath and solemnly affirm as follows :

1. That, I am the natural father of Ranjita Karki. This is true to my knowledge.
2. That, through bonafide mistake my name and my wife's name were wrongly recorded as Gopal Karki and Maya Karki in her academic records of passing the HSLC Examination in the year 2017 bearing Roll No. 13590 conducted by the Board of Secondary Education Manipur of my daughter. This is true to my knowledge.
3. That, I desire to make correction my name and my wife's name as Manbahadur Karki and Harimaya Karki in the said academic records of my said daughter. This is true to my knowledge.

Verified that the contents of the above para No. 1 to 3 of this Affidavit are all true to the best of my knowledge, it conceals nothing and I swear this affidavit on this 17th August, 2017.

**Manbahadur Karki**
**SSIGNATURE OF DEPONENT**

*SL/2732/29*

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 856/SDC/P of 2017*

1. Toijam Dhanabir Singh S/o (L) T. Kerani Singh of Kongpal Ningthoubung Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

Toijam Kerani Singh S/o (L) Ibomcha Singh
of Kongpal Ningthoubung Leikai

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat, the 28/08/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 19-Ningthoubung গী Patta No. 12 (অরিবা) 43/218 (অনৌবা) C.S. Dag No. 204 an area .60 acre of Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতূং ইন্না Case মখা চখগনি মতূংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East
Manipur

*SL/2738(f)/29*



## INVITATION

**THE NIMITA DEVI NRITYA ASHRAM**

under the aegis of
MINISTRY OF CULTURE, GOVERNMENT OF INDIA
request the pleasure of your kind presence at the festival of
**Manipuri Khubak Eshei**
and
**Proiduction of Basanta Ras**
with the financial assistance from the
Ministry of Culture, Government of India
in relation with the
**10th Foundation Day of the Ashram**
to be observed
from Wednesday, the 29th to 31st August, 2017 at
Shri Shri Bijoygovinda Mandap, Sagolband Bijoygovinda, Imphal
The inaugural function will be held on 29th August, 2017
at the same venue at 3.15 p.m.
All are invited

*SL/2737/29 & 30* **Secretary, NDNA**

## GAS TODAY

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking ............ 19/04/17
Valid .................. 12/04/17
Stk ..................... 612 CTC
Time ....7.30 to 11.00 am

**Patsoi Indane**
Booking ............ 30/06/17
Valid .................. 15/06/17
Stk .................... 306 DBTL
Time ....7.00 to 10.00 am

**Phayeng Indane**
Booking up to date
Stk ..................... 306
Time ....7.00 to 10.30 am

**Khongnang Gas, Bishnupur**
Booking ............ 03/04/17
Valid .................. 01/04/17
Stk ..................... 306
Time ....7.00 to 10.00 am

**J. Rongmei Wangoi**
Booking ............ 12/06/17
Valid .................. 04/06/17
Stk ..................... 306
Time ....6.00 to 09.00 am

**Manipur Gas**
Booking ............ 20/04/17
Valid .................. 19/04/17
Stk ..................... 306
Time ....7.30 to 09.30 am

**Khumbong Indane**
Booking ............ 05/06/17
Valid .................. 02/06/17
Sl. No. upto 14755
Stk ..................... 250
Time ....7.30 to 10.30 am

**Jemon Gas, Mayang Imphal**
Booking ............ 08/04/17
Valid .................. 06/04/17
Sl. No. upto 4810
Stk ..................... 306
Time ....7.00 to 09.00 am

**সনা–সুদোকু – ৯১৭গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 4 | 5 | 7 | 9 | 2 | 1 | 8 |
| 1 | 5 | 8 | 2 | 3 | 6 | 7 | 9 | 4 |
| 7 | 9 | 2 | 1 | 4 | 8 | 6 | 5 | 3 |
| 9 | 3 | 1 | 6 | 8 | 7 | 4 | 2 | 5 |
| 2 | 4 | 5 | 9 | 1 | 3 | 8 | 6 | 7 |
| 8 | 7 | 6 | 4 | 2 | 5 | 9 | 3 | 1 |
| 4 | 2 | 3 | 7 | 9 | 1 | 5 | 8 | 6 |
| 6 | 1 | 7 | 8 | 5 | 2 | 3 | 4 | 9 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 6 | 4 | 1 | 7 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-918**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 9 | 8 | | | | 2 |
| | 9 | | | | | 3 | | 5 |
| | | | | | 4 | 9 | | |
| | | | | 1 | 6 | | | |
| 8 | | 2 | 7 | | | | 4 | |
| | | | 3 | | | | | |
| 2 | 3 | | 5 | | | | | |
| | | 1 | 6 | 2 | 3 | 5 | 8 | |
| 7 | 8 | | | | | | | |